মালেমগী থাক্তা অফবা হোক্কী শান্নরোয় কয়া পুথোকপা হায়বসিনা ঐগী মরুওইবা পান্দম অমনি : শৌগাইজম রিনা

অলকা থোকচোম

ইম্ফাল, এপ্রিল ১২ (ঐচ এন এস): মতম অমদা শান্ন-খোৎনবনা ঐখোয়গী পূন্সিগী ওইবা করিয়র অমা শেম্বা ঙম্লমদ্রবসু হৌজিক্তি শান্নবনা করিয়র শেম্বা ঙম্লে হায়বসি খুদিংমক্না খঙনরবা ৱাফম অমনি। ঐখোয়গী মতমদদি তাকপী-তন্বীনবসু মরাং কাইনা লৈরমদে। অদুবু হৌজিক্তি হোক্কী মশান্নগী ওইনা অফবা ওজা কয়া লৈরে। ঐগী ওইনসু মালেমগী থাক্তা অফবা হোক্কী শান্নরোয় কয়া পুথোক্লবা হোৎনগনি হায়না হোক্কী এসোসিএসন মণিপুরগী মেম্বর অমসু ওইরিবী শৌগাইজম রিনানা ফোঙদোরক্লি।

শৌগাইজম রিনা হোক্কী মশান্না অসিবু পামজবা শান্নরোয় কয়াদা তাকপী-তন্বীবগী থবক মায় পাক্না চথরি। তশেংনমক মহাক্কী মপূং ওইবা থবক্তি ইস্কোল কোইবনি। অয়ূক-নুংথিলদনা ইস্কোল কোইরগা নুমিদাংৱাইরমদা অঙাংশিংবু লেম্না মহাক্কী হৈজবা খরা অদুবু তাকপী-তন্বীরি।

পাউচে অসিদা রিনানা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না মহাক অঙাং ওইরিঙৈদগী লাইরিক্তা থৱায় য়াওনা হৌরকখি। অদুবু য়ূমগী লৈত-লায়রনা হেনবদগী অৱাৎপা কয়া অমা লৈরকপনা মরম ওইরগা লাইরিক্তা মপূং ফানা মায় ওনশিনবা ঙমখিদে। লৈকাইগী মবুং অমদি মচেশিংনা হোক্কী শান্নবা উবদা মহাকসু কুমজা ১৯৯৭তগী মখোয়গী মতুংইন্দুনা লৈকাইগী লম্পাক্তা শান্নবা য়াওবা হৌরকখি। মতমদুদা ওজা হায়রগা হান্নদগী শান্নবা হৌরক্লবা লৈকাইগী মবুংশিং মিং ওইনা পল্লবদা লাইশ্রম ধামু, খুন্দ্রাকপম দেনি, নরসিং, রবিনচিংবনা তাকপী-তন্বীরকখি। মতমদুদা দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা শান্নবা হৌরে। খুমন লম্পাক্তা মখা তন্বা চৎপা মতমদা চৎথোক-চৎশিনগী অৱাবা কয়া থেংনখি। অদুবু ওজা ব্রোজেনগা থেংনদুনা ওজা অসিনা দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা সাইদা হোক্কী য়াওহনবীরগা নুমিৎ খূদিংগী বিষ্ণুপুর তান্না মখোয়শিংবু অয়ূক পুং ৫ নংনবা লাক্লগা তাকপী-তন্বীখি। অহানবা শান্নবা হৌরকপা মতমদদি অদুক্কী মতিক ৱাখি। হৌজিক মখোয়না শান্নরিবা লম্পাক বিষ্ণুপুর হোক্কী গ্রাউন্দ অসিসু মতমদুদদি য়াম্না পীকই। অদুগা লৈকাইগী ওইনা লৈবনিনা ফুটবোলসু অদুম শান্নশিল্লি, ক্রিকেটসু শান্নে। অদুনা গ্রাউন্দগী অহাঙবা শান্নফম লৈতদুনা করিগুম্বা মতমদা সেকেন্দরি স্কুল বিষ্ণুপুরগী লম্পাক্তা অমুক প্রেক্টিস তৌই। সী আই কোলেজ বিষ্ণুপুরগী লম্পাক্তা অমুক প্রেক্টিস তৌদুনা য়াম্না ৱানা শান্নরকখি। হোক্কীগীনি হায়বা চপ চাবা গ্রাউন্দ অমা মতমদুদা লৈতবনা খূদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরকখি। শান্নবা হৌরক্লবা মতুং ইমুং-মনুংগী খূদোংচাদবনা মরম ওইরগা হোক্কী ষ্টিক ফাওবা লৈবা ঙমদবগী নুংঙাইতবা কয়াসু মতমদুদা থেংনখি। অদুবু শান্নবা পামজরুবনা মরম ওইরগা উনা শেমজরগা শান্নরকখি। মতমদুদা লৈঙাক্কী মায়দৈদগীসু খূদোংচাবা অমত্তা ফংবা লৈখিদে। হোক্কী ষ্টিককী মতাংদা য়াম্না ইকাইখিবা থৌদোক অমা হায়রগদি। নেসনলগী ট্রায়ল পীবা মতমদা থাংমৈবন্দগী লৈখিদ্রবা ওজা অশোকনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতগী মখোয় অনীখক খনগৎখি। অরোইবা ট্রায়লগীদমক কেম্প তৌবা মতমদা মহাক্কী ষ্টিক অদু উবদা ওজানা রিনা নঙগী হোক্কী ষ্টিক অসি নঙনা পায়রিবা অদু নৎত্রদি লৈত্রবরা হায়না হংলকখি। মহাক মতমদুদা ইকাইমনখিবদগী মমান্নবীশিংদগী হোক্কী ষ্টিক ৱাইনবা থিবগী থৌদোক ফাওবা থোকখি। মতম খরা লৈরগা মমাদা হায়নরগা ফৌ কায়থোক্তুনা মদুদগী ফংলকপা শেল খরদুনা হোক্কী ষ্টিক অমনবা অমা লৈজখি। অদুবু লাইবক থীবদি প্রেক্টিস তৌরিঙৈদা হোক্কী ষ্টিক অদু অমুক তেকখি। মদুদা ঐগী থম্মোয় মচেৎ তানা কায়খি হায়বা য়াই। ঙসি ফাওবা নুমিৎ অদু কাউবা লৈত্রি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, কুমজা ২০০৩-০৪দগী মহাক সব-জুনিয়রগী ওইনা নেসনলগী থাক্তা শান্নবা হৌরকখি। কুমজা ১৯৯৯দা দেল্লীদা ইন্টর স্কুলগী ওইনা বিষ্ণুপুর হায়র সেকেন্দরিগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াখি। মহাক মরুওইনা সেন্টর হাফতা শান্নরকখি। কুমজা ২০০৭কী নেসনল গেমসতা মহাক অসামগী টিমদা শরুক য়াখি। সব-জুনিয়রদগী জুনিয়র ফাওবগী লেভেলদা মহাক অসামগী টিমদা য়াওদুনা লাকখিবনি। নোর্থ ইষ্ট গেমসতসু অসামগী টিম কেপ্টেন ওইনা শান্নরকখি। অদুবু মহাক্না খ্বাইদগী পেন্দবা অমা হায়রগদি চহী কয়া হোক্কী মশান্না অসিদা থৱায় য়াওনা শান্নদুনা লাক্লবসু লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লুপা লিশিং ১০গী স্কোলরশিপ অমখক ফংখিবা অদু নৎতনা অতোপ্পা খূদোংচাবা অমত্তা ফংলকখিদবা অসিনি হায়খি।

মহাক্না হায়, কুমজা ২০০৯ অদুৱাইদগী হৌরগা মণিপুরদা হোক্কীগী অচৌবা অহোংবা অমা লাকখি। মতমদুদা এসোসিএসনগী ওইনা চয়েৎনবশিং লৈবদগী হোক্কী মশান্না অসি থাক খরা হস্তবগুম তৌখি। লোয়ননা শান্নরোয় কয়াসু কঙাওনদুনা লৈখি। মতমদুদগী হৌরগা মহাক চহী নৌরিবা শান্নরোয়শিংদা তাকপী-তন্বীবা হৌরকখিবনি। কোচ ওইনবা ট্রেনিং তোঙান্না মহাক তৌরুবা লৈতে। অদুবু পামজরুবা কৌবনা মহাক্কী হৈজবা খরা অদু হৌগৎলক্লিবশিংদা তাকপী-তন্বীবনি। কুমজা ২০১৬তা হোক্কী এসোসিএসননা বিষ্ণুপুরগী ওইনসু হোক্কীগী ওইবা এসোসিএসন অমা লিংখৎপীখি। মতমদুদা মহাক অঙাংশিং তাকপীয়ু হায়না খঙহল্লকপদগী তাকপা হৌখিবনি। অহানবদদি শান্নরোয়শিং ১০ ফানা লাক্কদবা মানখিদে। অদুবু মহাক্না অহানবা তাকপী-তন্বীবা চৎখিবা নুমিৎ অদুদা লম্পাক্তা শান্নরোয় ৩০ হেন্না লৈরমখি। মদুমক মহাক্কী য়াম্না নুংঙাইবা মীৎকুপ অমা ওইখি। মহাক্না তাকপীখিবা শান্নরোয় অয়াম্বনা হৌজিক্তি নেসনলগী থাক্তা শান্নবা ঙম্লে। মসিমক মহাক্কী অপেনবা অমনি। শান্নরোয়শিংদা মহাক্না হায়নিংবদি, মিংচৎ লৈবা শান্নরোয় অমা ওইগে হায়রবদি নীংহন্নবা হায়বা ৱাখল্লোন অসি থাদোক্কদবনি। থকশি-খাশি নাইনা ওজাশিংবু ইকাই খুম্নবা উৎপা অমদি মাংদা পান্দম অমা থম্লগা মদুবু ফংদ্রিবা ফাওবা হোৎনগে হায়বগী ৱাখল্লোন অমগা লোয়ননা শান্নগদবনি। মতমদুদা শোয়দনা মায় পাকপা ঙমগনি হায়খি।

শৌগাইজম রিনা বিষ্ণুপুর মমাং লৈকাইদগী শৌগাইজম মঙ্গি অমসুং লৈখিদ্রবী শৌগাইজম ওংবী অঙৌবীগী মচা ৭ ফংজবগী মনুংদা ৬ শুবীনি।

নুপীগীদনা লিঙ্থোইঙানবী কাংজৈ লূপ অদুগা নুপাগীনা অর্বিন্দ পোলো ক্লব (এ)না ৱিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ১২ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর পোলো এসোসিএসননা শীন্দুনা থা অসিগী ৭তগী হৌরগা ইরোইশেম্বদা লৈবা এসোসিএসন অসিগী শান্নবুংদা চথরকখিবা ১৯লক শুবা ষ্টেট ৱিমেন্স অমসুং ৭লক শুবা অন্দর-১৬ জুনিয়র বোইজ ষ্টেট লেভেল পোলো টুর্নামেন্টকী ওইনা ৱিমেন্সকীদা লিঙ্থোইঙানবী কাংজৈ লূপ অদুগা অন্দর-১৬ বোইজকীদনা অর্বিন্দ পোলো ক্লব (এ)না ৱিন্নর ওইখ্রে।

ঙরাং টুর্নামেন্ট অসিগী লোইশিনবা নুমিৎতা নুপীগী ওইনা চিঙ্খৈহুনবা পোলো ক্লব অমসুং লিঙ্থোইঙানবী পোলো ক্লবকী মরক্তা ফাইনেল মেটচ শান্নখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা লিঙ্থোইঙানবী কাংজৈ লূপনা চিঙ্খৈহুনবা পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ৫-৩দা মায়থীবা পীখিবনি।

অমরোমদা, অন্দর-১৬ জুনিয়র বোইজকী ওইনা ঙরাং নুংথিল পুং ২.৩০ তাবদগী হৌরগা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পোলো এসোসিএসন অমসুং অর্বিন্দ পোলো ক্লব (এ)গী মরক্তা ফাইনেল মেটচ শান্নখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা অর্বিন্দ পোলো ক্লব (এ)না থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পোলো এসোসিএসনবু পাঞ্জল ৯-৩দা লাকচনা থোইবা ঙমখিবগা লোয়ননা টুর্নামেন্ট অসিগী মপূ ওইবা ঙমখিবনি।

ৱিমেন্সকী ওইনা টিম ৱিন্নর ওইখ্রবা লিঙ্থোইঙানবী পোলো ক্লবতা শেল ওইনা লুপা লিশিং ২০ অমদি ট্রোফি খূৎশিন্নখি। অদুগা রন্নর্স অপ তাহৌরবা চিঙ্খৈহুনবা পোলো ক্লবতনা শেল ওইনা লুপা লিশিং ১৫ অমসুং ট্রোফি খূৎশিন্নখি। জুনিয়র বোইজকী ওইনা ৱিন্নর ওইখ্রবা অর্বিন্দ পোলো ক্লব (এ)দা শেল ওইনা লুপা লিশিং ১৫ অদুগা রন্নর্স অপ তাখ্রবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পোলো এসোসিএসনদনা শেল ওইনা লুপা লিশিং ১০ অমসুং ট্রোফিশিং খূৎশিন্নখি। টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা প্রোমিজিং প্লেয়রনা অর্বিন্দ পোলো ক্লব (বি)গী অঙোম নিল্লচন্দ্রনা তাখি। মঙোন্দা শেল ওইনা লুপা লিশিং ২ খূৎশিন্নখি।

ঙরাং পাঙথোকখিবা লোইশিনবগী থৌরম অদুদা মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট সুনিল এলাংবম, সিনিয়র ভাইস প্রসিদেন্ট কোন্সম বারুনি, টুরিজম দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টর দব্লিয়ু ইবোহল, সোসল ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টর ঙাঙোম উত্তম, ওল মণিপুর পোলো এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট ডা. কে শরতচন্দ্রনা মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি।

এজটেক স্পোর্টস মণিপুরনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, এপ্রিল ১২ (ঐচ এন এস): থা অসিগী ৭তা দেল্লীগী ফরুখ নগরদা চথখিবা দ সিন্ধু টিমদা মায় পাক্না শরুক য়াখিবা এজটেক স্পোর্টসকী বোক্সিং কোচ লাইশ্রম দিপপু এজটেক স্পোর্টস মণিপুরগী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

এজটেক স্পোর্টসনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ক্রুইজর ৱেথ কেটেগোরিদা লাইশ্রম দিপনা মহাক্কী লম্বা ওইরিবা হরয়ানাগী হর্শকুমারবু অহানবা রাউন্দগী মিনট ২গা সেকেন্দ ৩৮দা নোকআউট পীদুনা মায় পাকপা ঙমখিবনি। লাইশ্রম দিপ ইম্ফাল ৱেষ্টকী মনুং চনবা লোইতাং খুনৌদগী লাইশ্রম বিনোদকী মচানুপানি। মহাক্না মায় পাকপা ঙম্লকখিবা অদুদা এজটেক স্পোর্টস এন্দ ফাইট ষ্টুদিওগী ফাউন্দর ডা. থাংজম পর্মানন্দনা থাগৎপা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মণিপুরগীদমক মিংচৎ পুরকপা ঙমখিবা অদু ঐখোয়গী খুদিংমক্কী চাওথোকচনিংঙাইহনি হায়না ফোঙদোকখি হায়রি।

মেদল লৌরকখ্রবা জিট কুনে-দোগী শান্নরোয়শিং তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১২ (ঐচ এন এস): চহী অসিগী জন্যুৱারী ২৯দগী ৩১ ফাওবা নেপালগী কাঠমান্দুদা লৈবা মল্টিপর্পজ মার্সিএল আর্টস সেন্টরদা পাঙথোকখিবা ৯লক শুবা সাউথ এসিয়ন গেমসতা মায় পাক্না শরুক য়াদুনা মেদল লৌরকখ্রবা জিট কুনে-দোগী শান্নরোয়শিং ঙরাং তরাম্না ওকখ্রে।

আই জি পি মণিপুর এন্দ নাগালেন্দ সেক্টর সী আর পি এফনা শীন্দুনা লাংজিংদা লৈবা গ্রুপ সেন্টর সী আর পি এফ ওফিসর্স মেশতা পাঙথোকখিবা তরাম্না ওকপগী থৌরম অদুদা আই জি পি অখিলেশ য়াদব, দি আই জি রেঞ্জ ইম্ফাল পি কে নায়ক, দি আই জি (ওপস) নাগালেন্দ এন্দ মণিপুর সেক্টর ঐচ প্রেমজিৎ মৈতৈ, দি আই জি গ্রুপ সেন্টর সী আর পি এফ মদনকুমার, দি আই জি ও বসন্ত, অর্জুনা এৱার্দী এন কুঞ্জরানী, সী আর পি এফ এক্স ৱেলফেয়র স্পোর্টস একাদেমিগী সেক্রেটরি কে ঐচ তোম্বনচিংবনা মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি।

তরাম্না ওকখ্রবা জিট কুনে-দোগী শান্নরোয়শিং অদুদি গোল্ড মেদল লৌরকখ্রবা অনুশ্রি রাজকুমারী, ঙাসেপ্পম সানিয়া, নাওরেম রানী চনু, লনচেনবা নোংথোম্বম, সনাবম থোইনাও, টেনিসন অরুবম, য়ুরেম্বম রোহিট, ৱাইখোম ইথোই, সমোম কেনেদি অমসুং লাইশ্রম দিনেশনি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা শ্রিলঙ্কাদা পাঙথোকখিবা অনীরকশুবা ৱর্ল্ড জিট কুনে-দো চেম্পিয়নশিপতা গোল্ড মেদল লৌরকখ্রবী মর্সি লাইশ্রমবুসু তরাম্না ওকখি।

ট্রায়লগীদমক খল্লক্লে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১২ (ঐচ এন এস): ভুবনেশ্বরদা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা-এ আই এফ এফ একাদেমিগী অনীশুবা রাউন্দগী ট্রায়লগীদমক মণিপুরদগী এম দি সাহির অলি, মোহমদ সোহিল অমসুং অমোম বিরজিৎ খল্লক্লে হায়না অস্ফাগী চেরোল অমনা হায়রি।

ট্রায়ল সেলেক্সন পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ১২ (ঐচ এন এস): ওল ইন্দিয়া কুংফু ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা কুংফু স্পোর্টস এসোসিএসন, অসামনা শীন্দুনা চহী অসিগী মে ২৫দগী হৌরগা ২৭ ফাওবা নুমিৎ হুম্নি চুপ্না দি টি আর পি ইন্দোর ষ্টেদিয়ম (নেহরু ষ্টেদিয়ম কমপ্লেক্স) উলুবারি গুৱাহাটিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৮লক শুবা নেসনল কুংফু চেম্পিয়নশিপ ২০২৪দা শরুক য়ারুনবা মণিপুরগী নুপা অমসুং নুপীগী ওইবা টিমশিং শেম্নবগীদমক ট্রায়ল কম সেলেক্সন অমা থা অসিগী ১৪দা বি টি রোদতা লৈবা এজটেকতা পাঙথোক্লগনি হায়না ওল মণিপুর কুংফু ব্রদরহুদ য়ুনিয়নগী সেক্রেটরি এস রাজেশ্বরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

হায়রিবা ট্রায়ল কম সেলেক্সন অসিদা শরুক য়ানিংবা কুংফু শান্নরোয়শিংনা মশা-মশাগী পাসপোর্ট ফোটো অনী, এজ প্রুফ সর্টিফিকেট পুদুনা লাক্কদবনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

১৬শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০২৩-২৪

নেরোকা এফ সীনা য়ু বি এফ সী অদুগা এন আই এস এনা ট্রাও মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১২ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন ককচীংগী গ্রাউন্দ অমদি আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দ লম্লোং থোংখোঙদা চথরিবা ১৬লক শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০২৩-২৪গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা নেরোকা এফ সীনা য়ুনাইটেদ ব্রদর্স (য়ু বি) এফ সী অদুগা এন আই এস এনা টিদ্দিম রোদ এথলেটিক্স য়ুনিয়ন (ট্রাও) মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসি নুংথিল পুং ১.৩০ তাবদগী হৌরগা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দ লম্লোং থোংখোঙদা নেরোকা এফ সী অমসুং য়ু বি এফ সীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা নেরোকা এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা মেটচ অদুগী ৩৫, ৪৫ অমসুং ৯০ শুবা মিনটতা নেরোকা এফ সীগী মিদফিল্ডর লাইশ্রম সুরজনা পাঞ্জল ৩ চন্দুনা হেটট্রিক ফংবা ঙমখি। অদুগা য়ু বি এফ সীগী ওইনদি মেটচ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু নেরোকা এফ সীনা পাঞ্জল ৩-০দা মায় পাকখিবনি।

দি এস এ গ্রাউন্দ ককচীংদা এন আই এস এ অমসুং ট্রাওগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনসু এন আই এস এগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখি। অদুমওইনমক অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্না পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফকী শান্নখিবদা এন আই এস এগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙম্বগী খূদোংচাবা লৌরগা মেটচ অদুগী ৫১, ৬৬ অমসুং ৭৯শুবা মিনটতা মথংশিংনা লাইশ্রম বিনোই, হুইরেম রোমেশ অমসুং সরাংথেম রাজদাননা পাঞ্জল অমমম্ চনবা ঙমখি। ট্রাওগী ওইনা মেটচ লোইবা ফাওবা পাঞ্জল অমত্তা হন্দোকপা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু এন আই এস এনা পাঞ্জল ৩-০দা মায় পাকপা ঙমখিবনি।

[illegible]

USED VEHICLES EXCHANGE / 2,3,4 WHEELER SALES WITH PURCHASED / VEHICLES LOAN AVAILABLE

মখল খুদিংমক্কী Used Vehicles : 2 Wheeler (Activa, Dio, Pleasure, Fascino with Motorcycles... etc.) 3 Wheeler (Diesel Auto, Petrol Auto, e-rickshaw... etc.) 4 Wheeler (Cars, Commercial Vehicles, Tractors, Van, Eco Van and Heavy Vehicles, J.C.B... etc.) শিং Exchange তৌবীনিংবা, য়োনবীনিংবা (Sales) অমসুং লৈবীনিংবা (Purchasing) মীওইশিংগী খূদোংচাবা পীজরি।

2/4/3 Wheeler গী Loan গী খূদোংচাবসু লৈগনি। e-Rickshaw loan সু লৈগনি।

EMPLOYMENT NEWS

Car Wash Helper 2, Tyre Fitting Helper 3, Gr-IV 3, Driver 3

N.B. : লৈবা-চাবা Free ওইবগী মথক্তা থাগী Pay মতিক চানা পীগনি।

Please Contact :
L.G. Motors
Khagempalli Huidrom Leikai,
Imphal West with all Branches
Mobile No. : # 9366434484
9362775475

HL-B/8632/4/4-17/5



CHANAKYA IAS ACADEMY

3 Decades of Excellence, Extraordinary Results Every Year, 5000+ Selections in IAS, IFS, IPS and other Civil Services so far...

DELHI'S Prestigious Institute, Now also in IMPHAL

A Golden Opportunity for the students of Graduation 1st year & above

Free Seminar on "How to Crack IAS Exam"

by SUCCESS GURU A K MISHRA (Founder Chairman - Chanakya IAS Academy)

15th April, 2024 11:30 AM onwards

Seminar Venue : Chanakya IAS Academy Imphal Centre

To Book your Seat for Seminar, Call @ 6909907134

IAS First Batch: 10th May, 2024

Registration Open For Regular & Weekend Batches

Limited Seats Available

CHANAKYA IAS ACADEMY
Nurturing Leaders of Tomorrow
SINCE-1993

Imphal Center :
South Babupara, Near Babupara Durga Mandir
(Airtel Building) Imphal West - 795001

Toll Free No: 1800 274 5005 | www.chanakyaiasacademy.com

HL-B/8669/31/3-30/4

HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



PUZZLE NO. 1099

FM Moritz Weishaeutel (2378) - GM Mahammad Muradli (2555)
GRENKE Chess Open 2024 Karlsruhe GER, 2024.03.31

1.d4 Nf6 2.c4 g6 3.Nc3 Bg7 4.e4 O-O 5.Be2 d6
6.Be3 e5 7.d5 Na6 8.h4 Nc5 9.Qc2 c6 10.h5 cxd5
11.cxd5 Qa5 12.h6 Bh8 13.f3 Bd7 14.Rb1 Na4 15.Qd2 Nxc3
16.bxc3 Qc7 17.g4 b6 18.Nh3 Ne8 19.Bd3 Bf6 20.O- Be7
21.Kh2 Qc8 22.Rg1 Nc7 23.Qe2 Kh8 24.Rbf1 Ne8 25.c4 Nc7
26.f4 Na6 27.fxe5 dxe5 28.Qf3 f6 29.Rc1 Bc5 30.Nf2 Bxe3
31.Qxe3 Qc5 32.Qe2 Qd6 33.Bb1 f5 34.exf5 gxf5 35.g5 Rae8
36.Kh1 Nc5 37.Rcf1 Kg8 38.Qh5 Kh8 39.Nh3 Qg6 40.Qh4 Nb7
41.Bd3 Nd6 42.Nf2 Qg8 43.Be2 f4 44.Bh5 Nf5 45.Qh2 Rc8
46.Ne4 Rxc4 47.Nf6 Rxf6 48.gxf6 Qxd5+ 49.Bf3 Qf7 50.Rd1 e4
51.Bh5 Qxf6 52.Rxd7 Ng3+ 53.Rxg3 fxg3 54. ...

QUESTION :
White to win

Puzzle 1098 Solution :

34. Rf7 Mating net **Bxf7**
34...b5 35.Ng6#
34...Nb8 35.Ng6#
35. Nexf7# Double knight mate
1-0

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com